# হৈরোক্তা গ্রমালোক পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈপাক লোয়নশিল্লোন অপূনবা মরুপ (কলম) অমদি হৈরোক গ্রাম পঞ্চায়টনা খুৎশম্মনা শীন্দুনা ওক্টোবর ৫ দা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা অইবশিংগী গ্রমালোক পাঙথোক্লগনি হায়না কলমগী থৌবুরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী মেম্বর জেনরেল কাউন্সীল প্রোফেসর জোদ্ধচন্দ্র সনসমনা ইন্ট্রডক্টরি স্পিচ পীদুনা থৌরম অসি হৌদোক্লনি। হৈরোক্কী অইবা তরুক, থোকচোম মংলেম, খুন্দোংবম ওংবী গুণমনি, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, থোকচোম জয়কুমার, লাইশ্রম ওংবী প্রিয়া অমদি নিংথৌজম দিনেসনচিংবনা মশানা ইবা শৈরেংশিং পাগনি। মখোয় তরুক্কী ওইবা খুঙ্গংগী শৈরেং হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমসু ফোঙগনি। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলা পরিষদকী উফ-অধক্ষা তখেল্লক্ষ্ম নুংশিনা অথোইবা মীথুং, কংলৈপাক লোয়নশিল্লোন অপূনবা মরুপকী য়াইতোংবী থিয়াম ওংবী শিল্লৈমা লৈমনা থৌরম মপু ওইগনি। হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল লুরাংথেম জিল্লা, হৈরোক পার্টৱানগী প্রধান লাইশ্রম খম্বা, টুরী প্রধান (নোমিনি) থোকচোম প্রেমজিৎ অমদি থ্রীগী প্রধান নিংথৌজম তাংবনা অখন্নবা মীথুং ওইখি। মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার য়াওনা তোঙান তোঙানবা অইবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লদৌরিবা থৌরম অসিদা লমদমসিদা লৈরিবা ইববু পামজবশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।